# অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা শকখঙদবশিংনা চথুখিবা বোম এটেকতা জর্নেলিষ্ট অমা শিরে, ৪ শোক্লে

কাবুল, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং টালিবানগী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবা ওইরিবা আই এস আই এল (আই এস আই এস) ফাইটরশিংনা য়াম্না তোয়না শিয়া হজারা কম্যুনিটিশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক কয়া চথুদুনা লাক্লি। হৌখিবা থাংজা নুমিত্তসু লৈবাক অসিগী কোনুং কাবুলদা শকখঙদবশিংনা চথুখিবা বোম এটেক্তা মীওই অমা শিরগা মরীনা শোকহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, শিয়া হজারা কম্যুনিটিশিংনা নম্না খুন্দাবা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা আই এস আই আই এলগা মরী লৈনবশিংনা য়াম্না তোয়না এটেক চথুদুনা লাক্লি। ঙরাংগী এটেক অসিসু আই এস আই আই এলগা মরী লৈনবশিংনা চথুখিবা ওইরম্বা য়াই। লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ভাইওলেন্সকী থবক চথুরিবা লালহৌলূপ অসি আই এস আই আই এলগা মরী লৈনবশিংনি।

অমরোমদা অফঘান জর্নেলিষ্ট সেন্টরনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাংগী বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা শিখ্রবা মীওই অদু লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা হামিদ শৈঘানি কৌবা পাউমী অমনি। মহাক এরিয়ানা টেলিভিজন নের্টৱার্কতা জর্নেলিষ্ট অমা ওইনা মতম শাংনা থবক তৌদুনা লাক্লবা মীওই অমনি। মহাক লৈখিদবা অসি জর্নেলিষ্টশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইতবা অমনি। জর্নেলিষ্টশিংদা খুৎলায় পায়বশিংনা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথরিবা অসি লেপ্পবা মতম কয়াগী মমাংদগী অপিল তৌদুনা লাক্লি। অদুবু জর্নেলিষ্টশিংগী ৱাকৎ অসি তাবিদনা লাক্লি। মসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি।



বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা শোক্লবা দ্রাইভর অমনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না মহাক্কী টেক্সি অদু খামদুনা লম্বীগী নাকলদা লৈরিঙৈদা য়াম্না চিংননিঙাই ওইবা মওংদা নুপা অমা খাউ মানবা পোৎশক অমা পায়দুনা মহাক্কী টেক্সি খাম্ফম মনাক্তা খামদুনা লৈবা বস অমদা কাখৎপা উখি। মিনিট অনীরোম লৈরগা নুপা অদু য়াম্না থুনা বস অদুদগী কুমথরগা চৎখি। মহাক্না বসতগী কুম্লকপা মতমদা হান্না পায়খিবা খাউ অদুদি পায়রকপা উখিদে। ঙাইহাক লৈরগা অহৌবা মখোল অমগা লোয়ননা বস অদু পোকখায়রকখিবনি। বস অদুগী মনিং থংবা শরুক্তগী ঈ তৈরবা মীওই অনী তারকপা মহাক্না উখি। মতম অদুদা মহাক মশা বোম পোকখায়বদগী পায়থোরকপা মচেৎ মকায়শিংনা পান্দুনা শোক্লে হায়বা ফাওবা খঙজখিদে হায়রি।

অমরোমদা থৌদোক অসিবু টালিবাননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম তিনবা মফমদা টার্গেট তৌদুনা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং মখা তানা থোকহন্দনবা অপিল তৌরক্লি।

টালিবানগী ৱাঙাংলোয় জবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিগৎপগী থবক চথুবা হৌখ্রে। অথুবা মতমদা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাদুনা মরালগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়রি।

# হোদৈদা পোর্ট সিটিদা হৌথি রেবেলশিং অমুক হন্না চঙশিল্লকখ্রে

সানা, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : হোদৈদা পোর্ট সিটিদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা রিকগনাইজ তৌবা য়েমেনগী ফোর্সশিং অমদি মখোয়গা চৎমিন্নরিবা ট্রুপশিংনা মফম অদু থাদোক্তুনা থোরকখ্রবা মতুং য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংনা মফম অদুদা অমুক হন্না চঙশিল্লকপা হৌখ্রে হায়না য়েমেনি ওফিসলশিং অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা য়ানখিবা মতুংইন্না মফম অসিদা অমুক হন্না সিজ ফয়ার লৈহন্নবগীদমক য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটনা লুচিংবা গভর্নমেন্ট এলাইদ ফোর্সশিং পোর্ট সিটি অদুদগী থোরকখিবনি। ইরাই নুমিত্তগী গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়বগী পাউ ফংলবা মতুং ইরানননা মপুঙ ফানা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা মফম অদুদা চঙশিল্লকখিবনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স ওবজর্বেন্স কম্মিটিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পোর্ট সিটি অদুদা হৌথি রেবেলশিং লাক্লবা মতুং মফম অদুবু কোয়শিন্দুনা থমখি অমদি গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা মতেং পাংখি হায়বগীদমক মখোয়বু তাথি তাওইনা তৌখি। পোর্ট সিটি অদুদা লৈহৌরিবা প্রো গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদা হৌথি রেবেলশিংনা খঙহৌদনা এটেক চথুদুনা গভর্নমেন্ট ফোর্স অহুম হাৎখি। মখোয়দুগী মনুংদা ফিল্ড কম্মান্দর অমা য়াওই হায়রি। অদুমওইনমক হিরম অসিগী মতাংদা পোর্ট সিটি অদুদা লৈহৌরিবা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংনা অকুপ্পা ৱারোলদি মীয়ামদা ফোঙদোরকখিদে হায়রি।



পোর্ট সিটি অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা মতম শাংনা খুৎ থোক্লরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাফমদা তাহল্লকপদগী কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর থাদা নাকল অনীগী মরক্তা অমুক হন্না মফম অদুদা খুৎ থোক্লবা লেপ্পা হায়না য়ান্নখিবনি। নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা লেপ্পা হায়না য়ান্নখিবা ৱাফম অদুগী মায়োক্তা হৌথি রেবেলশিংনা য়াম্না তোয়না থবক চথুরি হায়না গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী মরাল কয়া শিদুনা লাক্লি।

# সুদান সিক্যুরিটি ফোর্সনা এন্টি কূ প্রোটেষ্টর ৬ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

খারটোম, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : সুদান মিলিটরিনা লৈবাক অদুদা হান্না লৈরম্বা গভর্নমেন্ট অদুবু নম্ফুদা ইন্থুরবা মতুং মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহনখিবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং কয়া চঙশিন দুনা লাক্লি। ঙসিসু মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চঙশিনখিবা খোঙজং অমদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং তম্না সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ৬ শিখ্রে হায়না মেদিকশিংগী ওইবা ইন্দিপেন্দেন্ট য়ুনিয়ন অমনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল কম্মিটি ওফ সুদানিজ ডোক্টর্সনা ফোঙদোকখিবদা, সক্যুরিটি ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা মীওই মঙা শিখি অদুগা অমনা টিয়র গ্যাস সেলদগী পায়থোরকপা মৈখুনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবা ঙমদনা শিখিবনি। শিখ্রবশিং অদু চহী ১৮ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং ঙাক্তনি। থৌদোক অদুদা মীওই কয়াসু অশোক অপন নংখি। শোক্লবশিং অদু মনাক নক্লা লৈবা গভর্নমেন্টমেন্ট হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথুখ্রে হায়রি।

অমরোমদা সুদান মিলিটরিনা চথুখিবা কা হেনবা থৌওং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্ল রকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা সুদানদা মীয়াম্না পাম্বা লৈঙাক অমুক হন্না লৈহন্নবা অকনবা মওংদা তকশিন্নরক্লি। য়ু এসনসু মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা অকনবা মওংদা তকশিনখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা মীয়াম অমদি মিলিটরিগী ওইবা অপুনবা লৈঙাক অমা লৈহনগদবনি হায়রি।

# পেট্রোল টেঙ্কর অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিখ্রে, খরনা শোকহনখ্রে

নাইরোবি, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : কেনয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা ঙসি পেট্রোল টেঙ্কর অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিহনখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পোকখায়বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা থিজিনবগী থবকশিং চথুবা হৌখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক অঙনবদা কেনয়াগী কোনুং নাইরোবিদগী কিলোমিটর ৩১৫ রোম চৎলগা লৈবা মলাঙাগী মী য়াম্না চিনবা হায়রে অমদা থোকখিবনি। পেট্রোল টেঙ্কর অসিগা অতোপ্পা গাড়ি অমগা থেংজিন্নরবা মতুং টেঙ্কর অদুদগী থাও য়ুবা হৌরকখিবগা লোয়ননা খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবনি। পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওইশিংদা টেঙ্কর অদুদগী পাইথোরকপা অচাকপা থাওনা চোংবদগী মীশি মীনাগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লোকেল পুলিস চীফ অমনা ফোঙদোরকখিবদা টেঙ্কর পোকখায়বগী পাউ হেক ফংবগা পুলিস ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিনখি। পুলিসনা মফম অদু য়ৌবা মতমদা মীওই ১২ দি হান্ননা শিদুনা লৈরম্লে। অদুগা অমনা হোস্পিটাল য়ৌরবা মতুং মৈনা কা হেন্না চাকখিবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। ফায়র সর্বিসকী মীওইশিংসু থৌদোক হেক থোকখিবগা মফম অদুদা য়ৌশিল্লকপা ঙমখিদে। থৌদোক থোকখ্রবা মতুং পুঙ ২ রোম লৈরগা ফায়র সর্বিসকী মীওইশিং থৌদোক থোকফমদা য়ৌরকখি।

থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটালশিংদা অশোকপা মীওইশিং অদু পুখত্তুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথুখি। শোক্লবশিংগী মনুংদা অনীগী ফিভম লুনা লৈরি। মখোয় অনী নাইরোবিদা লৈবা গভর্নমেন্ট হোস্পিটাল অমদা মখা তানা ট্রিটমেন্ট চথুনবগীদমক পুদুনা চৎখ্রে হায়না লোকেল পুলিস ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থেংজিন্নবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং টেঙ্কর অদু মতৌ করম্না পোকখায়রকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি লৈবাক অসিদা টেঙ্কর পোকখায়বগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি।

# পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলনা অর্টিলরি সেল কয়া লেবানন তম্না কাপশিনখ্রে

জেরুসালম, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : ইজরেলগা য়ুমথংনরিবা লেবানননা ঙরাং রোকেট অনী ইজরেলগী ঙমখৈ শরুক্তা কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলগী মিলিটরিনা ঙসি লেবাননগী খা থংবা শরুক্তা অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিন্দুনা পাউখুম পীখ্রে হায়রি।

ইজরেলি আর্মীনা ফোঙদোর-কখিবদা ঙরাং লেবানননা কাপশিল্লকখিবা রোকেট অনী অদুগী মনুংদা অমদি এরিয়েল দিফেন্সনা নোংথক্তা মাঙহনখি। অতোপ্পা অমদুনা অহাংবা মফম অমদা তাশিন্দুনা পোকখায়খি। মখোয়না চথুরখিবা রোকেট এটেক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অশোক অপন নৎত্রগা অমাং অতা থোকহনখিবগী পাউ লৈত্রি। লেবাননদা লৈবা য়ুনাইটেদ নেসন্স পিছ কিপিং ফোর্সনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লেবাননগী খা থংবা শরুক্তগী ইজরেল তম্না রোকেট কাপশিনখিবগী থৌদোকশিং রদারনা দিটেক তৌখি। মদুগী মতুং লেবানন তম্না ইজরেলিশিংনা অর্টিলরি সেল কয়া কাপশিল্লকখিবনি।

লেবাননগী আর্মীনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ইজরেলনা লেবাননগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ৱাদি হামোলদা অর্টিলরি সেল ১২ কাপশিল্লকখি। ইজরেলনা চথুরকখিবা এটেক অদুদা লেবাননগী মায়কৈদা অমাং অতা অমদি অশোক অপন অমত্তা থোকখিদে। মখা তানা ইজরেলনা এটেকশিং চথুরকপদা ঙাকথোক্লবগীদমক এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং লোঞ্চ তৌখ্রে হায়রি। ইজরেলি দিফেন্স মিনিষ্টর বেনি গন্সনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ইজরেলগী সোভরেন্টি অমদি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শীংনরকপা খুদিংমক মায়োক য়ানবা শেম শাদুনা লৈ। লেবানননা ঙরাং ইজরেল তম্না রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবা অদু হকচিন্না লৌই। লেবানননা চথুরকখিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইজরেলনা অর্টিলরি সেল কাপশিনখিবনি।

হৌখিবা মে থাদসু লেবানননা ইজরেল তম্না রোকেট কয়া কাপশিল্লত্তুনা এটেক চথুখি। অমরোমদা মে ১৪ দা ইজরেলি ক্রুপশিংনা লেবানিষ্ট সিটিজন অমা ঙমখৈ শরুক লানশিন্দুনা চঙশিল্লকখি হায়বগী মরাল শীবগা লোয়ননা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোকসু থোকখ্রে।

# পোলেন্দনা ঙমখৈগী শরুক্তা পাউমীশিং চঙবদা অথিংবা থমখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি



সোকোলকা, নভেম্বর ১৪(এজেন্সী) : পোলেন্দ অমসুং বেলারসকা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা জর্নেলিষ্ট, রাইটস গ্রুপ, লোয়র অমদি এইদ ৱার্করশিং চঙবদা পোলেন্দনা অথিংবা থমখিবগী থৌওং অদুবু রাইটস গ্রুপশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা রিফ্যুজিশিং অদুগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি মথৌ তাই হায়রি।

রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না বেলারস ঙমখৈগী শরুক্তা মশিং য়াম্লবা রিফ্যুজি কয়া পোলেন্দ তম্না চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরি। হৌখিবা থা অনীরোমগী মমাংদা জর্নেলিষ্টশিংনা মফম অদুদা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাউ অমা ফোঙখিবা অদুগী মতুং তারকপদা ঙমখৈগী শরুকশিংদা পাউমীশিং চঙদুনা মথৌ তৌবদা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা থা অনীরোম অসিদা ঙমখৈগী শরুক্তা করি থোক্লিবগে হায়বগী মতাংদা মীয়াম্না করিগুম্বা অমত্তা খঙদনা লৈরি। মসি য়াম্নমক লাইবক থিবনি।

বেলারস ঙমখৈগী শরুক্তা হৌজিক হৌজিক রিফ্যুজি ৩,০০০-৪,০০০ হেন্না লৈরি। য়ুরোপিয়ন নেসন্সশিংদা রিফ্যুজিশিং চঙলকপা থিংখ্রবা মতুং পোলেন্দদা রিফ্যুজিশিং চঙবদা অথিংবা থমখিবদগী মীওই কয়া ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরকখিবনি।

# জেল ফাদোকশিং খুৎ থোক্নরকপদগী ৬৮ শিরে, ২৫ শোক্লে

ক্বুইটো, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : ইক্কেদোরগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি গ্বায়াক্বুইলদা লৈবা জেল অমগী মনুংদা লৈরিবা ফাদোকশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকপদগী ফাদোক ৬৮ শিখিবগা লোয়ননা ২৫ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা থোকখিবনি। হৌখিবা থা খরা অসিদা জেল মনুংদা লৈরিবা ফাদোকশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। চহী অসিগী ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা জেলগী ফাদোকশিং খুৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা পুন্না ফাদোক ৩০০ রোম শিখ্রে।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা দ্রগ কার্টেলশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সনশিং লৌখত্তুনা থবক তৌবা হৌখ্রবা মতুং জেল মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা গেংমেম্বরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবগী চাং হেনগৎলকখিবনি।

অমরোমদা জেল মনুংদা ফাদোকশিং শিখ্রিবা অদু ইক্কেদোর পুলিসকী কা হেনবা থৌওংননি হায়না ফাদোকশিংগী মরী মতাশিংনা মরাল শিরক্লি।

# রসিয়ন প্লেন অমা মফম খঙদনা মাঙখ্রে

মোস্কো, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : রসিয়াগী এন্তোনোভ এন-২৮ পেসেঞ্জর প্লেন অমা ঙসি সাইবেরিয়ান রিজনগী তোমস্কতা রদারদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পেসেঞ্জর প্লেন অদু মীওই ১৩ দগী ১৭ ফাওবা তোংলম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। চয়োল অনীরোমগী মমাংদা এন্তোনোভ এন-২৬ অমা রসিয়াগী কামচৎকা পেনিন্সুলাদা ৱেদর ফত্তবনা মরম ওইরগা কায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুং হায়রিবা পেসেঞ্জর প্লেন অসি মাঙবগী থৌদোক থোকখিবনি। প্লেন কায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই ২৮ লোম শিখিবনি।

এন্তোনোভ পেসেঞ্জর প্লেন কায়বগী থৌদোক অসি রসিয়াদা য়াম্না তোয়না থোক্লি। হৌখিবা কুজজা ২০১২ দসু অসিগুম্বা মখলগী প্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ১০ শিখি। রসিয়ান এভিয়েসননা সেফটি ষ্টেন্দর্দশিং ইমপ্রুভ তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা লৈবাক অসিদা প্লেন কায়বগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মাঙখিবা প্লেন থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি।


GOVERNMENT OF MANIPUR
RURAL ENGINEERING DEPARTMENT (RED)
4th FLOOR, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T LINE, NORTH AOC, IMPHAL

----------

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION

Imphal, the 12th November, 2021

No. 1/1/2021-RED/307 : In pursuance of the Government of Manipur letter No. CELL-307/1/2021-RD and PR-RD & PR dated 29th October, 2021 for approval of recruitment of 58 (Fifty Eight) Section Officer-I (Civil) in Rural Engineering Department (RED) on contract basis as approved by the Finance Department Government of Manipur vide U.O. No. 143/2021-2022/FD (PIC) dtd. 16/10/2021 and the Department of Personnel's U.O No. 8/2021-2022/DFP dated the 22nd Oct., 2021 , applications in prescribed format are invited from intending candidates for appointment of Section Officer –I (Civil ) on contract basis for 1 (one) year which may be extended from time to time.

| Sl | Name of post | No. of Posts | Essential Qualification | Remuneration |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Section Officer-I (Civil) | No. of Post : 58 (Fifty Eight)<br>i) Unreserved -31<br>ii) Schedule Tribe - 17<br>iii) OBC (Meitei) - 07<br>iv) OBC(Meitei Pangal) - 02<br>v)Scheduled Caste - 01<br>Total - 58 | Minimum eligibility criteria shall be Degree/ Diploma in Civil Engineering from a Government recognized Institute. | Rs.17,700/-P.m |
| | | Total -58 (Fifty Eight) | | |

**Terms and Conditions:**

1) Mode of selection: Through written examination.
2) Total marks of written test will be 100 as per break up – General English-25 Marks , General Knowledge -25 Marks & Subject specific -50 Marks
3) Age Limit: A candidate must have attained the age of 18 years and must not have attained the age of 38(Thirty Eight) yrs on 12th November, 2021. 5yrs. relax able for ST/SC and 3 yrs relax able to OBC
4) The application forms may be availabled at the Office of Chief Engineer-RED & downloaded from website www.msrrda.org
5) Tentative Timeline :

| | | |
|---|---|---|
| 1 | Date of Notification | 12th November, 2021 |
| 2 | Last date of Registration /Submission of Application | 27th November,2021 |
| 3 | Issue of Admit Card | To be notified later |
| 4 | Date of Written Examination | To be notified later |

6) Dully filled in application form along with the required self attested copies of educational documents from matriculation and onwards/certificates of Caste/Tribe/ OBC / Age proof certificate & 4 (Four) Passport size photograph should submit to the undersigned during office hour on or before 27th November,2021. Any application forms received after the prescribed last date shall not be entertained.
7) Candidates are required to pay a fee of Rs. 500/(Rupees Five Hundred) only for General &OBC candidates and Rs. 300/ (Three hundred)only for ST& SC candidates at the times of submission of the form .
8) No. of post may be increased or decreased.

Sd/- Pantishing Thaimei
Chief Engineer, RED

HL-B/7279/13,14,15


# তংদু লৈতাদবগী থৌদোক প্লান তৌরগা থোকহনবনি: প্রসিদেন্ট

দরবান, নভেম্বর ১৪ (এজেন্সী) : সাউথ অফ্রিকাদা চয়োল অমা হেন্না তোঙান তোঙানবা মখলগী পামদবা থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অসি হান্ননা প্লান তৌরগা থোকহল্লকখিবা থৌওং অমনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট সিরিল রমাফোসানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিগৎপগী থবক চথুবা হৌখ্রে হায়রি।



থা অসিগী ৯ দা লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জেকোব জুমাবু কোর্ট অমনা করপসনগা মরী লৈননা থা ১৫ গী ফাদোক পীখ্রবা মতুং জেলদা থাজিনখিবনি। হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা জেলদা থাজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সাউথ অফ্রিকাগী তোঙান তোঙানবা প্রোভিন্স খরদা মীয়ামগী ওইবা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। খোঙজং চঙশিনবগী মিংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা রেষ্টুরেন্টশিং অমদি সোপ্পিং মোল কয়া খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা থুগাইদুনা লুট তৌবগী থবক চথুরক্লি। মসি হান্ননা প্লান তৌরগা চথুরকপা থৌওং অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

হীরম অসিগী মতাংদা থিগৎনবগীদমক শেমখিবা টিম অমগী রিপোর্ট মতুং ইন্না অসিগুম্বা লোনা য়াদবা থবক থৌওংশিং অসি চথুবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা মীওই খরগী মশক খঙবা ঙল্লে। লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা মখলগী পামদবা থৌদোকশিং মখা তানা থোকহন্দনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং চপ চানা লৌখৎপা হৌরগনি। অমদি থৌদোকশিং অসিদা চেন্নৈ হায়রিবা মশক খঙবা ঙল্লবা মীওইশিং অদুসু অথুবা মতমদা ফানবা হোৎনরগনি।

সাউথ অফ্রিকাদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফীভমদা চাওনা চৈথেং পীবা হৌরকখিবতা নত্তনা পুলিস অমদি খোঙজংলোয়শিং মুক্লবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ১১৭ শিখ্রে। হায়রিবা মীওইশিং অসি পুলিসনা ঈরাং নমথনবা হোৎনবদা নোংমৈনা কাপ্পদগী অমদি লুট তৌনবা হোৎনরিঙৈদা পুলিসনা কাপ্পদগী শিখিবনি।